# ওষ্ট্রেলিয়াগী কেপ্তেন অমসুং মহাক্কী মথংখনবা ক্রিকেট বোল টেম্পরিং তৌবগী চৈরাক ফংবা

—লৈশাংথেম অজিৎ—



**খা অফ্রিকাদা** টেষ্ট মেচ মরি অমসুং ৱান দে ইন্টরনেসনল (ও দি আই) শিং শান্নবা চৎখিবা ওষ্ট্রেলিয়া টিমগী কেপ্তেন ষ্টেভ স্মিথ, মহাক্কী মথংখনবা ভাইস কেপ্তেন দেভিদ ৱার্নর অমদি ওপনিং বেটসমেন কেমেরোন বেনক্রোফটনা কেপ টাউনগী ন্যু লেন্দস ক্রিকেট গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অহুমশুবা ক্রিকেট টেষ্ট মেচতা 'বোল টেম্পরিং' তৌই হায়দুনা চহী অমা ক্রিকেট শান্নবদগী অথিংবা থমখ্রে। অদুবু টেষ্ট মেচ ৮ খক্তমক শান্নরিবা কেমেরোন বেনক্রোফটকীদমক্তি থা মাপলখক্তমক শরুক য়াহন্দবা হায়না ক্রিকেট ওষ্ট্রেলিয়ানা অকনবা চৈরাক পীখ্রে। মরম অসিনা ষ্টেভ স্মীথ আই পি এল হায়না খঙনবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগতা শরুক য়াগদবা রোয়েল রাজস্থানগী কেপ্তেন ওইহনবদগী তোকহনখ্রে অমদি মহাক্কী কন্ট্রেক্ট তৌবগী দোল্লর মিল্লিয়ন ২.৫ অদু ফংলরোই। মহাক্কী মথং খনবা ভাইস কেপ্তেন দেভিদ ৱার্নরনা থাংজ নুমিৎ, মার্চ ৩১দা সিদনিদা প্রেস কনফরেন্স পাঙথোকখিবদা মহাক্না তৌখিবা মরাল অদুগীদমক ঙাকপীনবা হায়জখিদুনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মহাক অমুক হন্না ওষ্ট্রেলিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা ক্রিকেট শান্নবা ফংগদবা মানদ্রে হায়খিবগা লোয়ননা মহাক্কী ফেনশিং, টিমগী মেম্বরশিং, ওষ্ট্রেলিয়াগী মীওইশিং অমদি মহাক্কী ইমুং মনুংদা ঙাকপীনবা হাজয়বা মতমদা মমীত্তা মপি হন্না হন্না তাখি। মখনাও ফুনগৎখি, ৱা ঙাঙবা থোকখিদে। চহী অসিগী ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগতা সনরাইজ হায়দ্রবাদকী শান্নরোয় ওইনা শরুক য়াগদবা ওপনিং বেটসমেন, চহী ৩১শুরবা দেভিদ ৱার্নরগী মহুৎ ইংলেন্দগী অলেক্স হালেসনা শিনখ্রে। মহাক চহী অসিগী লুপা ক্রোর হেন্না ফংগদবা শেনফম অদু মাঙজরে। চহী অমগী মতুংদা মহাক শান্নবদা শরুক য়াবগী অয়াবা পীরবসু টিম কেপ্তেনদি ওইহল্লোই হায়না ক্রিকেট ওষ্ট্রেলিয়ানা খঙহনখ্রে।

হন্দক্কী 'বোল টেম্পরিং' তৌবগী ৱাথোক অসি ক্রিকেট শান্নবগী পুৱারীদা খ্বাইদগী মীংচৎ থীবা থৌদোক অমনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা হান্না ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্রিকেট শান্নরোয় ত্রেভর চাপ্পেলনা সিদনিগী পাউচে 'দেলি টেলিগ্রাফ' কী মার্চ ২৭ লৈপাকপোকপা নুমিৎতা অসুম্না হায়খি মদুদি ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্রিকেটকী পুৱারীদা খ্বাইদগী মীংচৎ থীবা নুমিৎ অমা থোকখিবা অদুগী মরু ওইবা থৌদাং লৌখিবা শান্নরোয় অদু মহাকনি। মঙোন্দা লৈরম্বা মীংচৎ থীবগী টাইটল অদু হন্দক্কী থৌদোক অসিনা লৌথোকখ্রে।

কুমজা ১৮৯১গী ফেব্রুৱারীগী তারিখ ১দা বেসন এন্দ হেদগেজ ৱর্ল্ড কপ ৱান দে ইন্টরনেসনল ফাইনেল মেলবোর্ন ক্রিকেট গ্রাউন্দদা ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং ন্যুজিলেন্দ শান্নখিবদা ওষ্ট্রেলিয়ানা মায়পাকখ্রবসু মেচ অদুগী অরোইবা ওভরগী বোলর ওইখিবা ত্রেভর চাপ্পেলদা মহাক্কী ময়াম্বা ওষ্ট্রেলিয়াগী কেপ্তেন ইয়ান চাপ্পেলনা ওভর অদুগী খ্বাইদগী অরোইবা বোল, লাষ্ট বোল অদু অন্দর অর্ম ওইনা লংউ হায়না পাউতাক পীদুনা লংহনখি মরমদি করিগুম্বা ন্যুজিলেন্দগী বেটসমেন ব্রিয়ান মেকেনজিনা রন তরুক লৌখ্রবদি মেচ অদু দ্রো ওইগদবা মরম্না অন্দর অর্ম লংহল্লবদি রন মশীং অদু শুনা ফংবা ঙম্মোই হায়বদি রন ৬ ফংবা ঙম্মোই হায়বা খঙই। ত্রেভর চাপ্পেলনা ইয়া য়ানীংদনা ময়াম্বনা হায়বা অদু ইনখি। মরম অদুনা টেষ্ট অদু ওষ্ট্রেলিয়ানা মায় পাকখি। তৌইগুম্বসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী মীংচত্তি লৈখা তাখি। মালেম পূম্বনা মখোয়বু থিনা ঙাঙনৈ। 'অন্দর অর্ম' লংবা অসি মতম অদুদা আইন্না য়াই, তৌইগুম্বসুং চৎনবীদি নত্তে। ক্রিকেট শান্নবগী কাঙলোন্দা য়াওদ্রবসু মসিগী চৎনবী কয়া অমুক লৈ। চৎনবীশিং অসি ফজনা নীংথিনা, কিনা, ইকায়খুম্ননা ঙাক্তুনা থম্মী। মরম অসিনা ক্রিকেটপু জেন্টলমেন গেম হায়না খঙনৈ। মরম অদুনা কুমজা ১৯৮১গী ফেব্রুৱারী ১দা থোকখিবা থৌদোক অদুনা ত্রেভর চাপ্পেলগী মমিং অমুবা কালিনা তৈখি, ক্রিকেট শান্নবা লৈবাকশিংনা মহাকপু মীনম্বা শান্নরোয়নি হায়বগী অথিবা মীংচৎ অদু ঙসি ফাওবা লৈরি। মরম অদুনা খা অফ্রিকাদা কেপ্তেন ষ্টেভ স্মিথ, দেভিদ ৱার্নর অমসুং কেমরুন বেনক্রোফটনা 'বোল টেম্পল' তৌখিবগী ৱাথোক অদুনা মহাক্কী অথিবা মীংচৎ অদু অমুক মীয়াম্না কাউখ্রগনি। মখোয় অহুম স্পোর্টসমেন অমা ওইবগী পুকচেল চেন্দে, স্পোর্টসমেনগী স্পিরিট লৈতে হায়না মালেম অসিনা থিনা ঙাঙনরগনি।

ত্রেভর চাপ্পেলনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদি, হৌখিবা চহী ৩৫ অসি মহাকপু ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং মালেমগী মীয়াম্না থিনা-থিনা ঙাঙনৈ। মখোয়না ঙাঙনদ্রবসু মহাক্নদি চিংনৈ। মহাক্কী মরমদা ঙাঙনরমগনি খল্লি। মরম অদুনা মহাক মীরক তিন্নীংদে। অদুবু মহাক্না তৌখিবা থক অদুদগী হেন্না শাথিনা ফত্তবা থবক তৌখিবা শান্নরোয় অহুম হকথেংননা ফাখিবা মরম্না মহাক্কী মরাল অদু মীয়াম্না তপ্না তপ্না কাউখ্রগনি।

কুমজা ২০১৮গী ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং খা অফ্রিকাগী মরক্তা শান্নরিবা টেষ্ট অমদি ৱান দে ইন্টরনেসনলগী পরিংগী অহুমশুবা টেষ্ট কেপ টাউন্দা পাঙথোকখিবগী হুমনিশুবা নুমিৎতা লঞ্চ মতুংদা ওষ্ট্রেলিয়াগী ওপনিং বেটসমেন কেমরুন বেনক্রোফটনা কোভরদা ফিলদিং তৌরিঙৈদা মহাক্কী ফুরিৎখাউদগী নাপু মচুগী করিগুম্বা পোৎশক অমা পুথোরকপা উখি। মসি খা অফ্রিকাগী অনীশুবা ইন্নিংসকী ৪৩শুবা ওভরদনি। মতম অদুদা অম্পায়র নিগেন লোঙ অমসুং রিচার্দ ইল্লিংৱার্দনা চিংনদুনা চঙশিল্লক্তুনা মহাক্না ৱারী শান্নদুনা মহাক্কী ফুরিৎখাওদা হাপখিবা অদুগী মরমদা হংখিবদা মহাক্না মখোয় অনীদা মহাক্কী অনোক সন গ্লাস অদু তৈথোক্লবা অমুবা ফিজেৎ অমা উৎখি। মখোয় অনীনা এক্সন অমত্তা লৌখিদে, মখোয় অনীনা মখোয়গী হান্নগী লৈফমদা হল্লকপা মতমদা ষ্টেদিয়ম অদুগী অচৌবা স্ক্রিন অদুদা বেনক্রোফটনা হঙ্গামপাল মচু (নাপু) গী ফিজেৎ অমনা বোল অদু তকপগী ফীভম অদুমক উৎলকখি। মদুদা মীৎয়েংলোইশিংনা লাউ খোঙবা তৌরকখিবদগী মখোয়গী মরাল অদু খঙখিবনি। মখোয়বু টেলিভিজন্দা ৱা ঙাঙহনবদা মখোয়গী মরাল অদু য়াজখি, অচুম্বা অদু হায়দোকখি। থৌদোক অসি থোকখিবা নুমিৎ মরিনিগী মতুংদা বেনক্রোফটনা বোল মমায় চাথৎনবা শীজিন্নখিবা পোৎ অদু লৈঙোই অমসুং নূংকুপ নত্তে সেন্দ পেপরনি হায়না ফোঙদোকখি। কেপ্তেন অমসুং ভাইস কেপ্তেন্না বেনক্রোফটনা চথখিবা থবক অদু মখোয় অনী তান্নরগা বেনক্রোফট মশানা য়ানা তৌখিবনি হায়খি।

ক্রিকেট ওষ্ট্রেলিয়াগী চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসর (সী ঈ ও) জেমস সুথরলেন্দনা মখোয় অহুমদা ৱাহং পাউহং তৌদুনা থিজিনবগী থবক চথবদা মখোয় অসি মীনম্বনি, মশান্না অসিবু ইকায়খুম্নদবা মীনি হায়খি। মখা তাবদা মখোয় অসি সস্পেন্দ তৌরে অমদি ময়ূমদা থাখ্রে। মখোয়গী মরাল মার্চ ২৮দা ক্রিকেট ওষ্ট্রেলিয়ানা পুং ২ মিনিট ৩০ খন্নখি অমদি ফাইন্দিংশিং ফংখি। মরাল করম্না পীগনি হায়বা ৱারেপ লৌখি। মদুদা ভাইস কেপ্তেন দেভিদ ৱার্নরনা মরাল খ্বাইদগী লৈরে হায়বা খঙলকখি। মহাক্না ক্রিকেট বোল অদু তেম্পর তৌনবা হায়বদি শেমদোক শেমজিন তৌনবা খুজিল থৌরাং পূম্বা তৌখি অমদি বেনক্রোফটতা করম্না বোল অদু তেম্পর তৌগদগে হায়বা দিমোনত্রেসন তৌদুনা তাকখি। মহাক্কী পাউতাক অদু বেনক্রোফটনা পাঙথোকখিবনি।

মরিশুবা অমদি অরোইবা টেষ্ট মেচ জোহান্নেসবর্গতা পাঙথোল্লিবা অসি খা অফ্রিকানা মাঙজিল থানা চৎলি। হান্না শান্নখ্রবা মেচ অহুমগী মনুংদা অনী অমদি খা অফ্রিকানা অনী, ওষ্ট্রেলিয়ানা অমা মায় পাকখি। ৱাফম অসিগী মতাংদা ওষ্ট্রেলিয়াগী মচিন চৎপশিংনা মখোয়বু মতম শাংনা শান্নবা য়াওহন্দনবা ৱারেপ লৌবগী নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লি।

# চিনাবু কিবদগী পুৱারীদা তাইনরিব্রা

-ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার মীতৈ-

**ওনরেবল সী এমগী** গুজরাটকী মাধভপুরদা পাঙথোকখিবা লাইনীং-লাইশোনগী ওইবা চাউরবা থৌরম অমদা তিনখিবা মীয়াম মমাঙদা হায়দোকখিবা মণিপুর অমদি নোর্থ ইষ্ট ষ্টেট অসি চহী ৫০০০গী মমাঙদগী কৃষ্ণগী মতমদগী ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইনা লৈরম্লে হায়রিবা ৱাফম অসি mythology, archeology, history, geography, geology, linguistic অমদি কলচরগী মায়কৈদে য়েংবদা অচুম্বা অমত্তসু য়াওদে, শম্নবা অমত্তা য়াওদ্রে, ককনীংঙাই অমত্তা য়াওদনা পুমলান লাল্লে হায়বসি ময়াম্না য়ানরবা ঙাক্তনি। তশেংবদি সী এমগী ৱাহৈশিং অসি মহাক্না খঙজবা ৱাখল্লোন্দগী হায়রকখিবদি মান্দে। মদু কনাগুম্বা মীওই খরগী থৌইনশিন্দগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমদি মফমদুদা তিনখিবা মীয়াম অদুবু পেন্ননবা হায়দোকখিবসু মাল্লি। অতৈ অরোনবা মরম কয়া অমসু লৈরমগনি, মরু ওইনা ইন্দিয়াগী ঙমখৈগী মতাংদা। শোয়রবদি তিল্লিবা মীয়ামদুবু ঙাইহাক্কী পেলহন্নববু ওইরো, অরোনবা পোরমবু ওইরো (হিদন এজেন্দা) সী এম বিরেন্না ঙাঙবিখিবা শাজিনবা পুৱারী অদুনা মহাকপু সী এম ওইহল্লকখিবা, মহাক্না চাউজরকখিবা মরমদম কংলৈপাক্কী অশেংবা পুৱারী, ইরৈচা কয়া অমদি অৱাং নোংপোক লমদমদা লৈরিবা মীওই খুদিংমকপু তুংওইননা, থৌশাদনা থম্বীরমদুনা মখোয়গী থম্মোয় শোকহনখিবদুনি।

করিগীনো অসুক চাউবা ফম অমা পায়বীরিবা, মীয়ামগী মহুৎ শিনবিরিবা মণিপুর লৈঙাক্কী মকোক ওইদুনা সী এমগী ফম পায়বীরিবা য়াম্না মরু ওইবা ইকায়খুম্ননীংঙাই ওইরিবা মহাক্কুম্বা মীওই অমনা মহাক্কী হৌরকফম, মরমদম্বু অসুক্কী মতিক মমল য়াওদনা, ইরায় লায়না, নোকফেৎ তৌদুনা ইন্দিয়াগী মখাদা চহী ৫০০০ হেন্না হেক লৈরকপগী মতাগুম অতোপ্পদা ফোঙদোকপা ঙল্লিবা? মসিগী ওইবা য়াবা পাউখুম ৩/৪ মখাগী অসুম্না থমজগে ময়ামগী মফমদা।

খ্বাইদগী মরু ওইবা অহানবা পাউখুমদি ইন্দিয়াগী ঙমখৈ ঙাক্লবগী উপাই অমা য়েংলকপনি হায়না থমজগে। চিনানা মপাঙ্গল কনখৎলকপা অমদি ইন্দিয়াগী ঙমখৈদা নকশিল্লকপগী মায় পাকপা অমদি অকিবা ফাওরকপদগী ইন্দিয়াগী ঙমখৈ কলহৌনবা অনৌবা পোরম য়াৎলকপনি। হান্নদগী নীংতম্বা ফংনবগী ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মখাদা মীখা পোন্দুনা লৈবা পামজদবা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী লালহৌলূপ কয়া অমনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মথক্তা লন্দাদুনা লাক্লিঙৈ ফীভম অসিদা চিনানা অমুক মপাঙ্গল খঙকন কনখৎলকপা অমদি ইন্দিয়াগী ঙমখৈদা নকশিল্লকপা (মরু ওইনা নোর্থ ইষ্টকী অমদি পাকিষ্টানগা থংনবা মায়কৈদা) অসিননি। ফীভমসি উবদা অৱাং নোংপোক লমদমশিংসি চিনানা শোয়দনা কায়খিবা হায়বদি ইন্দিয়াদগী তোঙান্না তাখিবা য়াবগী মমি উরকপা মদুদা চিনানা অমুক মতেং পাঙশিল্লকপা য়াবগী মমিসু উরকপা লোয়ননা চিনাদা তিনখিবা য়াই হায়না মীপাইবা অমদি অকিবা লৈবদগী ইন্দিয়াগী হৌজিক হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাকসিনা করিগুম্বা খরা তৌহৌদ্রদি শোয়দনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংসি কলহৌবা ঙম্লরোই খন্দুনা অৱাং নোংপোক লমদমশিং অসি মথায় থায়না কৃষ্ণননা পাল্লিঙৈ মতম চহী ৫০০০ হেনবগী ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইনা লৈরকখ্রে, লমদমশিং অসি ইন্দিয়াগী শরুক অমনি হায়না নোর্থ ইষ্টকী মীয়াম অমদি মালেম পূম্বগী মীয়ামদা নমথাক তৌনবা ঈহৌ অমা শাগৎনবা হোৎনবা পোরম অমনি হায়না থমজবদা থোইদোক্না লানগনি থাজদে। মসি হায়বগী মরমদি হান্নসু বি জে পিগী লৈঙাক্না পানখিবা চহী কয়ারক য়াওখ্রে অদুবু করিসু থওইবিদনা অসুক কুইবা চহী কয়াসি লৈরক্লগা হন্দক চহী খরসিদা নংহৌরোইদবা মতাগুম মীৎয়েং তারক্লিবা, নুংশিবিরক্লিবা। মসিগী মীৎয়েংসি ঐখোয়বু তশেংনা নুংশিদুনা তৌবিরক্লিব্রা নৎত্রগা ইন্দিয়াগী ঙমখৈ মাঙখিগদৌরে হায়না তৌরক্লিব্রা হায়না হংবা য়াবা ৱাফমনি। বি জে পি কাঙলূপ্তা নত্তে, কোংগ্রেসনসু চহী কয়া পাল্লক্লে অদুবু করিবু তৌবিরম্বগে অৱাং নোংপোক লমদমগীনি হায়বা, ঐখোয়গী কবো ভেল্লি য়োম্হোকপীরম্বা নত্তনা। চহী ৬০/৭০সি ঐখোয়বু করিসু উশিত্তনা,উমং চীং মান্দা মবুক থন্নবা খরা চারগা পংলৈদা লৈবা চাওখৎতবা কাঙলূপনি হায়না হন্থনা য়েংবীদুনা, অফস্পাবু মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তা নস্ফুদা থমজিন্দুনা লানফমদা হিংবগুম থম্বীরকখিবা নৎত্রা। হৌজিক্তা চিনানা মপাঙ্গল কন্না ইন্দিয়াগী ঙমখৈদা য়াম্নমক নকশিল্লকপসিদা লালহৌলূপ কয়াসিদা মতেং পাঙশিল্লক্তুনা তোঙান তাখিবা তারে নৎত্রগা চিনাদা য়াওখিবা তারে, নৎত্রগা চিনানা খোপচিনখিবা তারে হায়দুনা মীপাইবা অমদি অকিবা পোল্লকপদগী মায় ওনশিল্লকপনি, নুংশিবা শাজিন্নদুনা হায়না থমজবদা করি ককনীংঙাই লৈরিবগে? মসিমকসু ওইরমদবদি ওইরসনু।

অনীশুবদা, ইন্দিয়া পূম্ববু হিন্দু নেসন অমা শাগৎপদা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটসশিংবুসু হিন্দু লাইনীং চৎহন্দুনা হিন্দু নেসন অমা শাগৎনবা হোৎনবা। বি জে পি কাঙবুনদি অদুম হায়রি মসি অরানবা ৱাহন্থোকনি হায়না। হায়ফম থোকই, মসি পার্টি খুদিংমক ঐখোয়দি লান্দে, চুম্মী হায়বসিদি 'চৎনবীনি'। অদুবু বি জে পি লৈঙাক্না পায়থরক্লিবা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়াদগী ইরায় লায়না উবা, খঙবা অদুম ঙম্মী ইচম চম্না লৈজবা মীওইশিংনফাও। খুদম মচা অমখক পীজরবদা অসুক কুইনা ইস্লাম, খৃষ্টান অমদি অতোপ্পা লাইনীংবু চৎচবা কাঙলূপশিংগী মরু ওইরিবা চিঞ্জাক মথেল অমা ওইরিবা ষণশাগী ললোন ইতিক তৌবা, পুথোক পুশিন থিংবা বি জে পি লৈঙাক্না পায়রবকান্দদা থিংলি, অদুগা অতৈ অতোপ্পা শাবুদি হাৎপা, ললোনবদা কায়দে, থিংদে। ষণবুনা থিংবগী মরমদি ষণদি হিন্দুশিংনা লাই ওইনা লাৎনৈ। বি জে পি লৈঙাকসিনা তৌথোরকপা থৌরমশিংসি অয়াম্বনা হিন্দুইজমগা মরী লৈনবনা অয়াম্বসু ওইরি। নীংশিংবীগদবদি দিমোক্রেসি চৎপা, সেক্যুলর ওইবা লৈপাক অমদদি লাইনীং অমবু শৌগৎলগা অতোপ্পা লাইনীংবু নমথনবা হোৎনবদি লৈপাকসি চাওখৎপা শুকঙম ঙম্লোই। টাইৱানসি মপূং ফানা দিমোক্রেসি ওই হায়বদি, লাইনীং খুদিংমক মনীং তম্না চৎচবা ঙম্মী মীওই খুদিংমক্না মখোয় মখোয়গী লাইনীংদুগা মরী লৈনবা চানীংবা চিঞ্জাক অমদি শেৎনীংবা ফিজোল শেৎপদা কনানসু য়েংশিনলুবা নৎত্রগা অথিংবা, অকায়বা পীরুদে।

অহুমশুবদা, ওইরম্বসু য়াই প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী অচানবা মনাই অমা ওইদুনা মরমদমগী চাওখৎনবা হোৎনবদা চঙগদবা অচৌবা শেনফম কয়া অমগী মতেং ফংনবা হোৎনবদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদি অমদি অতোপ্পা মথক থোংবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী লুচিংবশিংবু অমদি তিল্লিবা মীয়ামদুবু হরাউননবা হোৎনবদা ইখল খলহৌদনা হায়দোকখিবা। মদুমক ওইরবসু মীয়ামগী লুচিংবা অমা ওইনা মঙা তরা খন্থদুনা হায়গদৌবা ৱাহৈশিংদুদি লুনা নৈনবিগদবনি, মরু ওইনা অসিগুম্বা অচৌবা, অরুবা লাইনীং লাইশোনগী থৌরমদদি। মীচম ঐখোয়গুম্না পংঙাঙ ঙাঙবদি অফবা মহয় পুরকপা ঙম্লোই হায়না থমজগে।

মরিশুবদা, পাল্লিবা ইন্দিয়াগী লৈঙাকসিগী ঙমখৈ ঙাক্লবা হোৎনবদা সী এমসু বি জে পি লৈঙাক্কী মকোক অমা ওইনা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী মতেং পাঙনবা হোৎনবদা নোর্থ ইষ্ট অসি চহী ৫০০০গী মমাঙদগী ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইনা লৈরক্লে হায়না মীয়ামদা ওইদবা, শাজিন্নবা পুৱারী শন্দোক্তুনা মীয়ামগী ঈহৌ অমা ইন্দিয়া লৈঙাক্না শাগৎনবা হোৎনবদা মতেং পাঙনবা হায়দোকখিবা (মসিমদি য়াম্না লুনা, লাপনা, লুম্না খন্থহৌদবগী খুদমনি)।

-মথং-মথং

# কে-কু ফোঙলসে, খ্বাই কেকু ইপুগী ৱাচৎনেএ # ৩

- অঙোম সলাই পিবারেল -

*(হান্নগী মখা চত্থজরকপা...)*

মীরোলসিদি- ***মালেমসিগী মীওইপোক্কী মপোক্তা মীনম পান্দি ওইনীংদেএ, ইমানা। মৈত্রবাক্কী লাংওনবু মৈতৈ নুপা হায়বদা করি কায়বা লৈ- কায়দবনিএ। মৈহৌরোলগী লাংওন লংদাইনেএ। লৈহৈবা, লৈহৈদবা পূম্নমক চৎন-পথাপনিএ। পূম্নমক্কী চন্নফম খঙবা মফমদা মীনম্বা পানম্বা য়াওদনা মীওই পূম্নমকপু, মীরোল পূম্নমকপু মীওইপোক হায়দনা মীওই লাংওন লংদাই পরৈনৈএ,*** হায়না থম্বীরম্মীএ।

মীনম্বদো পামজদেএ। মীপোক থিবদো পামজদেএ। মীনাই মপোক, মীথিবোং-মীতম্বালগী মপোক পামজদ্রে, মীগী অৱাইবা শ্বর হোনবা, দশা হোল পুবা পামজদ্রেএ। ইমা মশক খঙজরে, ইপা মশকসু তাকপীরে-খঙজরে। ইমা-ইপা মশক খঙজরবনিনা ইপু-ইপেন মশক খঙজরেএ। ইপু-ইবেন মশক খঙজরবনিনা হৌরকফম (মৈহৌরোল) অশেংবা মশক খঙজরেএ কংলৈসিগী। মীওইপোক, মীপোক মীথোইহনবীখ্রে। পরম খঙনা চৎচরি, থৌদাং কয়া মাঙওইননা। কংলৈনুংসিগী ইপা, ইপু, ইবেন লাইওইখ্রবা থৱায় কয়াগী চাকথুং, হৈনম-লৈনম কয়াদি মীগী (অমাঙবশিংগী) মপা, মপূগী গোত্র-মমিং শাগৈদা লোয়না কৎখ্রবনিনা ঐখোয়গী ইপা-ইপুগী চহী চা কুমশিং কয়া চাদ-থক্তনা লৈরকপনা লৈবাক্কী ঙাক্লোল-কাঙলোন, ঙাক্লৌ পীবদা, ঙাক্লৌ পুরকপদা মথৌ-মঙম পাঙমহন্দবা, মথৌ মঙম শানঙমহন্দবদো হৌজিক্তি অশেংবী য়াইফবী ইমানা মতম অহুমদা হৈথা-লৈথা, চেঙবী-চেঙবা, মৈরা ১০৮ অশেংবা মৈরা লাংদুনা পথ-খুইথরম্লবা ঐখোয়গী 'ঈ' মরূ কয়াগী সলাই ৭কী য়েন্নীং হুনহনবীখ্রেএ। অচুম্বগীদমক্তা থোরক্লিবা থৌদোক ময়ামসে কয়াম য়ামখ্রে। খঙজিল্লু তাকপীরিএ য়াইফবী অশেংবী ইমানা। শাফম-লানফমদা মায়থীখ্রবা, অৱা-পোৎলুম পুরিবা মীনাই থৌদাং মীথিবোং-মীতম্বাল পূম্নমক শানা-ঙানা য়েংবীরক্তুনা শারক-শাদম্লক্তুনা পূম্নমক লোইখিবনিএ মমাঙ চক্তা। মদুসু মীগী চেঙ চারুবগী মাগী-মাগী মরালগী মপোৎনিএ। মশা-মশানা ফংজবনিএ। মীওইপোক্কী মপোক্তা তুহৎপীরবা মখা থাবা-হন্থবা কয়াদা নুংঙাইখিদ্রবা শক্লোন কয়ানা থৌদাং পুরিবা পোৎনি। কয়াদা লাকচ-খুদুম চলহনবদি করিসু লৈত্রবা শাথুপ্পা অমনা তাইবঙবু শরাক শাদমদুনা লোয়শিল্লিএ। শাথুপ্পা ঙমহল্লিএ। মদুসু মানা-মানা তৌরুবগী পাপতুনিদনা। কুইনা পুবা পাপ, পাপ পুবা নখোয়দি মহা পাপ্পী কৌইনেহে। পুইনা শংবাই নৎতপা, পিরাং-ঈহৌ-হৌদুনা, মচা-মনাই খঙদনা, পোলোইশিন খঙদনা পোলোইশিন পুবা তাইবঙদুসু মীনাই-মীপোক মীতম্বাল কৌইনেহে।

মীনম-পানম পুদুনা, মীনাই মীপোক ওইদুনা, মীওই মীপোক খুদিংদা মীনম-থানম্বা পামই। মাগী অপাম্বা অদুগুম্না মীওইবা খুদিংমক্তসু ওইহন্নীংইএ। মদুসু মহাক্কী অপাম্বনি-বসমানি-বসমীনি। লাল্লবদি লানখ্রো-লানহনবীখ্রে য়াইফবী, পলেম ইমানা। লানফম চাং তারবা, মায়থীরবা তাইবঙ নঙগী-নখোয়গী হকচাংনা মীওই পূম্নমক্তা চাং তারগা হিংগনিএ। মদুসু নঙখক্তগী নপোৎনিএ। নংবনা নঙ্গল পায়বা, অৱা-অনা তারবা, শক্লোন অদু পুদুনা চৎহনখ্রে-তানখ্রে কংলৈনুংসিদগী। নুংশিৎ অরিবা লৈবা দশা লাংফম শ্যা, ইমা লাইমক্না ঙম্না তান্থোকখ্রে কংলৈয়োন্দগী। কনা অমগী লম্বীনা খা-কুম শান্নরকপা, অকুম-অকা শান্নরকপবু হনখ্রে-হনখ্রে মহা ময়া দশা হন্দোকখ্রেএ। অশি কুমতম লাথুপ্পা শ্যা। কুন্দো পরেং লেংদুনা কুমথুপ-পাথুপ থুপখিবা, পান্দম চুখিবা, কুমজা হরাউ মথোই ঙমদবা, অৱা পোৎলুম হন্দোকখ্রে, উশিন শিন্দুনা কোকপীখ্রেএ, কোক্লো-কোক্লো। য়াইফা চরোং চুম্বা ঙমখ্রে-চুমখ্রেএ। নীংজরকপা অপাম্বা অফবা য়াইফহনবীখ্রেএ। য়াইফা ৱারোল পীবিখ্রেএ, অপাম্বা পূম্বা য়াইফহনবীরিএ। য়াইফা ৱারোল পীরিএ মানা য়াইফরোল-(৩)।

বীন্দা তারা-তারগা, তুহৎ-তুহত্তুনা থম্বীরিবা পোৎ-পোক্লে। পোকলেন পোকপা, শক্লেন শাৎপা, য়াইবী ঙানবা-ঙানবী ইমা-ইপা, ইপু-ইবেন লৈরিএ। ঐখোয়না কনাবু কিরুনি-কনাবু কিরুগনো। কুমথুপকে নীংলকপা, কুম কাংগে কাংও নীংলকপা, কংলৈ শকখঙ-অদনা। অকা-অকুম শান্নরকপা নুপী-নুপা সব-বসমা-বসমী-(৩), বসমো শ্যা। বিন-(৩) তা, তার্বিনতা-তে, তেন্থা লম্বী শারৌ শ্যা। অকা-অকুম অনীদা কৃষ্ণ-মালা দশানা পরেং লেংগে নীংলকপা, অশি লৈবাক য়ৌহনখ্রে, কুম কাংবা ওইরো, কুম কাংবা ওইরো, কুম-ও শাথুপ্পরসেএ। অমাঙবা লৈহৈদেএ, অমাঙবা লৈহনখিদ্রে, অশি পোরোনদুনা খুদুম চেৎনা পায়-ও। খুবাম তিংনা তেৎলক্লে। খুবাম-তেংনা শে-শে লৌরোদো-লৌজরো। নঙ-দো, নংবনা নঙ্গল পায়দুনা অৱা পোৎলুম পুদুনা হনৱাই-হনখ্রে। কুমথুপ্পা, লাইথুপ্পা কুমজা মথোই কাদুনা হরাউবা, ৱারেপ-ৱাং, শারেপ-শা, ৱাথুপ লাই, পরৈসু হনখ্রে। শা-শৎ, শৎলে-শৎলে লাইশৎ শৎলে, য়েত্তা-ওইদা থৌকাবীবা শারৌ-শাদম্বা-লাংদম্মীবা পূম্নমক শ্যা। মীরক, মীথুপ, লাংলৈ লোয়না শৎপিখ্রে কংলৈ ইমানা। কংলৈ ইমানা ঙম্না হৈনা পুরিএ। চৈচৎসে খুমন পুংগী চৈচৎনেএ। খুমন ইবুধৌ থাংজিং কৌবুরেল লাইনা পুরিএ। খুমনগী ৱাচৎতি খ্বাই কেকু ইপুনা মরূ ৱাগী পনখৈননা পীবিদুনা ঙাকপী শেনবীরিএ। পোরোল লোল্লম্বা পূম্নমক লোয়না শৎপিখ্রে, পুমশেং-শেংখ্রে কংলৈসে। হা ইমা, পোরোল ৭ লোল্লম্বা, পূক্লিং অতিয়া মশক খঙদনা লাল্লোই-লান্দারকপা অরানবা মখোয় লাল্লবদি লালহনবীখ্রো। অরোনবা লৈরম্বা অমাঙবা কয়া লৈরম্বা লমলেন নঙবু য়াইথীবী নুংশিবী কোলোই নঙগী নতিক নঙান্না কংলৈয়োন ময়োন পুংবু ঙান্থোইবীরিবী, অরানবগী চঙজফম ওই, অরানববু কুইনা য়োকই হায়বরানে-য়োকফদে ইমা পামজদে নচাশিংনসু। তান্থোকপীরক্লে ইমানা অসুম্না : নরান্না, নহৈনা, নাওয়োককোল, নুংনা হেন্না নাওরেল-থা, য়ান্থরগা নাকেন্থা, পোলোয়নরগা পোৎলুম পু, নশিন-শিন্থা পুদুনা হল্লো-(৩) হু-শ্যা-(৩)।

হুরানবা ফারে, অশি মনাক নকপা পান্বা, অমাং লাইনা শানোয়বা, মরম খঙদনা মাংহন্নীংবা, অৱা চৈথেং ফংহন্নীংবা, মীওই কয়াদা লান্দাগে নীংলকপা সব-বসমা। ফত্তবা অমাংবা নীংলকপা খুদিংমক মহা-মন্ত্র-ময়া বসমা-শ্যা। অশিবদু পুদুনা চৎখোনা, অহিংবদি হিংহৌদৌরিএ। ফত্তবা, অমাংবা, অশিবগা, অশেংবগা, অচুম্বগা, অওইবগা লোয়নৌ হায়না অশেংবা লাইনা তম্বীদেএ অশি মচা শ্যা। হে অকাম থুনাইশা, হৈ-লাংলৈ মরূ শ্যা-(৩)। হৈ-ফদি ফরা, খোংজুম, লাইতুম, তরং-মালং, হৈ শহুম, শদম-লাংদম শ্যা। মপোক ফত্তবা লংদাই ১০৮ শ্যানে হে। নঙনা হেক লাং থাকপদা থুগদৌবদো কংলৈ ইমা ঐদি নত্তেদো খঙহনবীরিএ অমাংবশিংদা। নঙনা তৌবনা নঙনা ফংজদৌনি শরিশো। পলেম ইমানা অমাংববু শম্ননীংদদুনা শারি নমুংদুনা ৱাখৈনখ্রে। অশেংবা লাই লৈনেহে ইচাশা। মীফত্তা, নরালনা নপোৎ ফারমালেনহে, নপসু শুগাইরগা, কুপতেং হেক তেংলগে শরিশো। তেংবদা পুমলোই হেক লোইনা থোকইদো, অমাংবা লোয়না কোকখ্রে, পুমশেং হেক শেংহৌরেএ ইচাশা। ফত্তবা, অমাংবা পুল্লপ পুখ্রে মশানা চৎখ্রে, নঙগী-নঙগী পান্দমদো হেক মপূং ফানা ফংজখ্রো, পীথোকখ্রে পূমকোক কোক্না ভর্মা দশা শ্যা। ফত্তবা পূম্নমক হৌজিক্তি মশাদা নপশিনখ্রবনিনা, হঙোই ফিদুপ য়াংদোইরেএ। সনামহী ঙোবুরেল, নোংজু অহিংসিদা কুমথুপ, তিনথুপ, লাইথুপ, পরৈ হল, লাংদাই পরৈ হনখ্রে। অশি পোৎলোই পোৎলুম পু, অমাঙ-অতা কুমথুপ্পা, শাথুপনরো, লাইথুপ্নরো, নুংথুপনরো। নঙনা পান্বা লম্বীদো অদুনি পুখ্রোকো, অদুমক্লি নশাগী নপোৎনি পুখ্রোকো, পীথোকখ্রে ফত্তবা, অমাঙবা, অৱাবা শ্বর হোল্লম্বা। পূম্নমক্না মশা-মশাদা অচংবা, অকাবা, অথোইবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবগীদমক্তা। মহাশোই-মহাশোই মী-মীগী লান্দারকপা পুংফম-খেনফম খঙদনা মাঙ-তাক্নবা লান্দারকপা ঙম্নবা থৌদারকপা পি-পা পৌরোল লোল্লম্বা-লোল্লকপা পূম্নমক পুদুনা চৎহনখ্রে-তানখ্রে কংলৈনুংসিদগী।

-মথং-মথং